# অচুম-অরান অমসুং নোরোক্তা তাবগী অকিবা



- এস ইন্দ্রকুমার-

অচুম্বা অমসুং অরানব'গী কন্সেপ্ট অসি থৱায় পানবশিংগী মরক্তা মীওইবা খক্তনা পুথোক্লকপনি। তীল-কাঙ-শা-ঙা-উচেক... অতোপ্পা থৱায়-পানবা অমত্তনা অচুম-অরানগী খেন্নবা খঙদে। অখঙ-অহৈশিংনদি হায়- ৱাখল খনবা ঙমদবদুনা অচুম-অরান খঙদবনি। পঙলবা, করিসু খঙদবা ঐনদি মরক-মরক্তা খল্লি - মকোন (ময়ূম) শঙনি খঙলিবা, পীক্লিবা মচাশিংবু অথাপ্পদগী মচীঞ্জাক থিদুনা পুরক্লগা পীজগনি, য়োকপীগনি খঙলিবা উচেকশিং অসিবু ৱাখল খন্দে করম হায়সিগে? মনা-মশিং চাবা শাশিংসু পীক্লিবা মচাগীদমক শাহিং চাবা তমথীবা শা মায়োক্নে। মখোয় মচা নুংশিবা খঙই। নুংশিবা হায়বা থম্মোয় ইহুলদু মখোয়দসু লৈ। মীওইবনা খল্লিবা 'অফ-ফত্ত-অচুম-অরান' গী ৱাখলদু লৈতে হায়বখক্তনি। অদুগা ঐখোয় মীওইবগী মরকসিদসু লৈবাক-খুন্নাই লৈত্রিঙৈ, রিলিজন হায়বদু শেমগৎত্রিঙৈ লৈরমদে। ঐখোয়বু শেন্বী-শাবীবা, মালেমসিবুসু শেন্বীবা, নুমিৎ-থা-থৱান্মীচাকপু শেন্বীবা, 'ঈশ্বর' মহাক মীওইবনা পুথোক্লক্ত্রিঙৈদসু লৈরমদে। 'ইশ্বর' শেমখিঙৈদগী, মাবু শেমখিবা মীওইববু ঙাকপী শেনবীনবা, নাদ-য়েক্তা' থম্নবা, অচুম্বা লম্বী তাক্লবা, মাগী মচা ইবুংঙো নৎত্রগা মীহুৎ ওইবা কনাগুম্বা অমা মালেমসিদা থারকখি। ঐখোয়না শাগোন্নরিবা পূন্সিসি করম্না হিংগদগে তাক্লবা গাইদ-বুক (হোলিবুক) ইরকখি। হায়রকখি - গাইদ বুক'তা ইরিবা ৱারোলশিংদু ইন্দনবা ইনশিনবা, অরানবা লম্বীদা লমজিংনবা 'ফত্তবা লাই'/সৈতান/দেভিল কৌবা অমগসু লৈ। পান্দম? করিসু নত্তে, পূক্লিংসিদা অকিবা অমা পোকহনবনি। ৱাখলসিবু চমম্লহনবনি।

মালেমগী মচি-মচিদা শেমগৎখিবা মান্নদবা খুন্নাইলোন খুদিংমক্লা হায়- মসি অচুম্বনি, মদু অরানবনি। অমগা-অমগা অমত্তসু মান্নদে। অদুগা, খ্বাইদই লুবা ৱাফম অমনা - অরানবনি হায়না তাক্লম্লবা থবকশিং, মহৌশানা মীওইবগী পূক্লিং-ৱাখলনা পাম্বা থবক্তুনি। হায়নবা নাইদনা ইখোঙসিবু লমজিংলিবা লম্বীদুনি। ফত্তবনি/অরানবনি হায়না শক্তাক্লবা পোৎশক/থবক/লম্বীদুনা পূক্লিংসিবু হেক্তা চিংশিনখি। করিগী? বিকোজ-দে আর নেচরেল। মহৌশাগী ওইবা কল্লবা শক্তিসিদগী হেন্না কনবা শক্তি অমা শেমগত্তুনা, অদুগুম্বা থবক অদু তৌরবদি 'নোরোক' তা তাগনি হায়বা অকিবা অমা পূক্লিংসিদা পোকহল্লম্মী। 'নোরোক' কৌবা নমথী'-হন-নাইগী (ৱাখলগী) কোম অমা শেমগৎলম্মী। মফমদুদা তারবা, তমথীবদই তমথীরবা মীওৎ-মীনৈ কয়া মায়ওক্লগনি কিহল্লি। অকিবদুনা পূক্লিং-হকচাং অনীসিনা ইনফম থোকপা নেচরেল-লো পূম্নমকপু নমহত্তুনা কাউথোকহল্লকই। নোরোক্তা তাবা নৎত্রগা স্বর্গদা কাবা হায়বসি, শিরবা মতুংদা হকচাং অসি তুমখ্রবা মতুংদা থোক্কদবা থোক্কনি/থোক্লোই খঙদবা থৌদোক অমনি হায়বসি ফাওবা খন্থজবা ঙমহন্দে।

অদুগা, অফ-ফত্ত/অচুম-অরানগী ৱারী শারিঙৈ, ৱা অমত্তং নীংশিংজরমগে। মদুদি-লায়রব অমদি ইনাকখুনবা! অফবা অমসুং ফত্তবা, অচুম্বা অমসুং অরানবা... পূম্নমকসিবু মশক তাক্লম্বা, লাইগী মচানি নৎত্রগা মনাইনি হায়জরম্বশিংদুগী য়াথংদা শেমখিবা 'হিংনবগী গাইদ বুক' শিংদুদা ইরম্মী ... 'লায়রবা ওইনা পোক্লরিবা মখোয়দো তাইবঙ মপুগী থৌজাল ফংলবনি' (ব্লেস্দ আর দ পোর)। ইশ্বরগী মচা 'যিসু' না ৱাহৈ পরেং অসিবু হেন্না মপূম ফাহল্লম্মী... 'ব্লেস্দ আর দ পোর ফোর দে সেল ইনহেরিত দ কিংদম ওফ গোদ' (লায়রবা ওইনা পোক্লরিবা মখোয়দো তাইবঙ মপুগী থৌজাল ফংলবনি, মরমদি ঈশ্বরনা লৈবা লমদমদু মখোয়না ফংহৌগদৌরিবনি)'...। কয়াদা লায়না লায়র-অনংশিংবু পঙথহনখ্রিবা! লেজারসপু যিসু' না থেমখিবগী ৱারীদু তাবীরবা নৎত্রা? কাউখিরম্বা য়াই, নীংশিংজগে অমুক্তা। বেথনি' (ঙসিদি পেলেস্টাইনদা লৈখ্রবা) দ পোকখিবা, লায়রবা মচা 'লেজারস', নোংমা লাম্বনা পৎ তৎলবা, খৌরাংবনসু খৌ-কংলবা- খুঙ্গংদুগী ইনাক খুনবা নুপা অমনা খুঞ্জা পূম্নমকপু অহাওবা মথেল-লুকোয় লাঙলদুনা, লেম্না পীজ-পীথক তৌরিবা মীয়াম মরক অদুদা চঙননবা হোৎনরম্মী। 'খৌরাংবনা খৌগংলে ঈশিং খুয়া অমখক্তা থকচগে'... থোঙশঙবশিংদুদা হায়জরুই। মনাইশিংদুনা তাম্থোরকখি ... 'হায়, মীনাই মচা! ঐখোয়গী মপু-ইবুংঙোনা খুলসিগী অচৌ-অশাং অমত্তা চীথদনা কৌরগা চাক্লেন অমা পীজরি হায়বা নহাক খঙদবরা... নহাক্কুম্বা চুদৎনবা, লায়রবশিংগী মফম লৈতে, চৎখ্রো চৎলু'...।

চরাঙনবা অমা থোক্লিবদু উরে 'প্রভু যিসু'না। চঙশিন্দুনা যিসুনা লেজারসপু থেল্লকই... 'ৱারুগনু লেজারস! নহাক্লা স্বর্গদা য়ৌরবকান নুংঙাই-য়াইফ, অহাও-অথুম, ৱাৎপা লৈতনা নহাক্কী শরুক ওইগনি... অদুগা, ঙসি নঙোন্দা ওৎলিবা মীফত্ত মখোয় ময়ামসি, চাবা ফংদনা মৈথক্তা অৱা-মৈশা খাঙলদুনা হায়জরক্কনি- লেজারস! ঈশিং খুয়া অমত্তং থকপা ফংহনবীয়ু'...।

ৱাহ! ইনাকখুনবশিংগীদমক লীংবা তাইবঙসিদা লায়রবশিংবু ওৎলিবা ইনাকখুনবশিংবু কয়াদা ফজনা কনবীখিবা! ইনাকখুনবা খুজোক অমখক লৈবদা, লায়রবনা মশীং থীঙমদ্রবা তাইবঙসিদা, ইনাকখুনবশিংনা চৎলিবা লীচৎ নত্তে শাজৎনি, অচুম্বা নত্তে অরানবনি হায়বসি হেক খঙহল্লুরবা, ইনাকখুনবশিংগী মথক্তা থিংবা ঙমদ্রবা লানহৌ অমা হৌরক্কনি হায়বসি খঙখি প্রভু যিসু'না। ইনাকখুনবশিংবুসু কনবীবা, লায়রবশিংবুসু পেলহনবা-কান্নবা খূৎলায় অমনি- 'লায়রবা হায়বসি ঈশ্বরগী থৌজাল অমনি' থাজহনবা।

মমিং চৎলবা লাইশঙ/মন্দির/চর্চশিংদা ইনাকখুনবশিংনা য়াম্লবা/চাউরবা শেনফম মতেং পী, দোনেশন তৌই। করিগী? লাইশঙগী লাইনীং'-মকোকশিং অদুনা মখোয়বু লায়রবশিংনা মথক্তা চথুরকপা য়াবা এটেকশিংদগী ঙাকথোকপী। মশীং থিঙমদ্রবা লায়রবশিংনসু মাগী ঙমজবা থাক্তুদা শেল কৎলি, অথেনপোৎ কাই। করিগী? লাইদুগী থৌজাল ফংনবা। লায়রবনা থৌনিজৈ - তৌরুবা থবক মঙ্গল ওইহনবীয়ু... ৱাত্ত-পাদবা- শেল পায়বা ওইহনবীয়ু... অনা অয়েক য়াওহনবীগনু... চাবা-থকপা ৱাত্তনা, নুংঙাই য়াইফনা হিংহনবীয়ু। বোল্লিৰুদকী মেগা-ষ্টার অমনা চিরুপতিগী লাইশঙদা লাক্লগা ক্রোর মঙা কৎলগা থৌনিখি ...'ঐগী ইমৌ ওইগদৌরিবসিগা ইচাগা পক্লদে হায় পাঞ্জিনা, পাঞ্জিগী ৱা লানহনবীয়ু, মখোয় অনী পক্লহনবীয়ু'...। মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা পোলিটিসিয়নশিংনা, লাই খুদিংমক্তা খুরুম্মী- 'ঐগী ভোটরশিংবু ঐনা লৈবা য়ানবা, মখোয়বু মতম চূপ্পদা লায়রবা ওইনা থম্বীয়ু'...। হুরান-করবার তৌবা করবারৱালাশিংনা খুরুম্মী... 'কঞ্জ্যুমরশিংনা ৱাবা/নংবা/শিবা খঙদে ঐ, হুরানবসি ফাহনবীগনু'...।

ওইদ-পাদ-তৌবা হুরানবা, মচিন থীবা পোলিটিকেল পার্টি ওইদবা ঙাঙবা, শেঞ্জা-থুমজা তৌবা... পূম্নমক লাইনা য়াই। মরমদি, তাৎ-হৈবা, লাইগী মনাই শাবা খূৎপু অমনা শেমখিবা হিংনবগী গাইদ-বুক ময়ামদু ইন্দুনা চৎখিবা কাঙবুদুনা লায়রহৌরগা, মদুবু লল্লোনপোৎ ওইনা শীজিন্নবা হৈখিবা কাঙবুদুনা ইনাক খুনখিবনি। মপু মাগী লীলানি। ●

# আর কে সী এসনা হায়রম্বা ৱাহৈ খরা

## (আর কে সী এসকী চহী ১০০ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা কৎচবা ৱারেং)

খুদোংচাবা লৌবা হৈবা ফূরুপ কয়ানা মণিপুরগী অশেংবা পুৱারীগী মরল-মথুম কয়াবু উনা-উনা মুনগদবগী হোৎনরবা তানফম অসি য়ৌরবা ফাওবদা তরাই-তরাইনা ইশা-ইশাগীতা খন্দোক্তুনা লৈথোকপা চুমদে। (১৯৯০)

মৈতৈনা তল্লিঙৈ, ইকায়রিঙৈদা ঐগী চাক্লুক্তা খুজাই থাংজিন্দুনা মীতোপ্পা চারিবসি ঙন্না খঙহৌবা ফৈ নৎত্রবদি চহী ১০/২০গী মতুংদা মৈত্রবাক মণিপুর চাক্লি-ফিনিবা কয়া থোক্লোই হায়বা ঙল্লিবরা? (১৯৮৭)

শিনফম অদুনা টেক্নিকেল ওইরবদি য়েকপগা য়াম্না মরী লৈনৈ হায়বসি থবক ওইনা চথুরক্লবা কান্দা শোয়দনা খঙফম থোকই। (১৯৮৭)

লাই য়েকপা হায়বা বিষয় অসিনা শিনফম ওইনা চঙগে হায়রবদি মসিদি হৈবা লোইবা নাইবা নত্তে, পম্থুং অমা য়ৌনবা হোৎনবদা, ৱাখলদি য়ৌরবোই নীংলুনি অদুবু শোক্লমদাইদা হেক্তা লাপথোকখিনি।

থবক অমা তৌবদা নাপল খক য়াওগনু, নাপল য়াওরক্লবা মীদুদি মাগী মতম লোইরক্লবনি।

ঐখোয়সি ইন্দিয়াদদি য়াওরগা শক্তি ইখঙ খঙবীদবা অমা থোক্লে হায়বসি খঙবদগী ঐনা মণিপুরবু মপান্দা মশক তাক্তবা য়াদে খন্দুনা ঐসু ঐগী শিনফম লাই য়েকপা হায়বসিনা অয়েকপা লাই ওইনা থম্লমদবা য়াদে খনবদগী পুৱারী অমসুং কলচরগী লাই কয়া য়েকপা হৌখিবনি। (১৯৯৪)

মৈতৈগী হায়নবা লৈ - লাই য়েকপদি ঙাওবনি মসিমক্তি থায়না মীওইবনা শুরুং মনুংদা লৈরিঙৈ পৃথিবীগী ঈরাং খঙলমদবদগী আর্ট করিনো, করম্না শীজিন্নফম ওইবা, করি-করি কান্নবা খঙদ্রিঙৈগী পাউরৌনি। (১৯৮৭)



আর কে সী এসনা ৱাখল খন্দুনা লৈবা মতাং

কলা চাওখৎপা হায়বসি ইংলিস লোনগা মরী লৈনদ্রবসু চাওখৎপা য়াই হায়জনীংই, কলা হায়বসি থম্মোয়দগী থোরকপা অচুম্বা কন্সেপ্ট হ্যুমেন সাইকোলোজি ইমোসনগা লোয়ননা কলাকার অদুগী ভিজিবল ওইবা মওংদা পুথোরকপা অদুবুনি। (১৯৮৭)

ঐ মতিক চারে হায়বসি ঐনা তৌজবা থবক্লা মীয়ামদা উথোক্তুনা, উহল্লগা অদুম মখঙজরক্কদবনি। (১৯৮৭)

অনৌবা মখলগী কলা অসিনা কলাগী জগৎ সংসারদি, অসিখক্তনি হায়দুনা পুল্লপ্পা খুদুম চনবদি ঙল্লোই হায়জনীংই। (১৯৮৭)

লাই য়েকপা হায়বা অসি ঐগীদি মহৈনি, মহৈ অসি শীজিন্নদুনা ঐদি হিংবা ঙম্নবা হোৎনবা তাবনি। (১৯৯০)

লাই য়েকপদা খ্বাইদগী লুবসি ৱাখলনা শারগা য়েকপসিনি - ৱাখলনা শারগা য়েকপা লাইনিবু হায়রবদি ফজবা লাই নৎত্রবসু অদুম থাগৎনীংঙাইনি। (১৯৯৪)

ঐনা য়েক্লিবা লাই মখল অসি করি কৌবগে ঐ খঙদে - মসি ঐগী ওইনদি ওক্সিজেন আর্ট থোঙৈ, মরমদি লাই মখল অসি য়েক্লুবনা শেল ফংনবা শিনফম অমা ওইরে, শেল ফংলবনিনা হিংনবগী শ্বর হোনবদু ঙমজরে।

পুৱারীদি পারগা, থিরগা খঙবা ঙম্মী অদুবু ফিজেৎ-চাকচাগী মরমদদি লাইরিক্তা য়াওবা নত্তবনিনা তশেংনা অৱাবা অমদি ওইখি ঐগী পুৱারীগী লাইশিংসে য়েকপদা। (১৯৯০)

I have a lot of things to do. I dreamed of restoring the lost culture of Manipur through paintings. For instance, the younger generation does not know that there was a time when a newly married Meitei bride was sent off on the back of an elephant to her in-law's house. I dream of recording all such events for posterity.

(The Telegraph, 2002) ●

*(ৱারেং অসি আর কে সী এস বার্থ সেন্টিনরি সিলেব্রেসনদা ফোঙখিবা 'চহী ১০০গী খোঙচৎ' কৌবা লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি)*

**খোমজিনবা - আর কে বুধিমন্ত কর্টা**

# অশৈবা কাংজম রাধাকুমারগী শৈরেং লাইরিক 'নায়তোম তানা মীরক্তা' লাইরিক অসিদা মীৎয়েং অমা



- তোংব্রম অমরজিৎ -

লাইরিক লাইশুদা থৱায় লূপচদুনা লাকখিবা অইবা অমসুং অশৈবা ওইবতা নত্তনা লৈবাক্লা শকখঙনরবা ওজা কাংজম পদ্মকুমারগী মচা ওইনা তাইবঙদা খোঙদারকখি কাংজম রাধাকুমার। মহৈরোয় ওইরিঙৈদগী হৌনা শৈরেং ইবা, শৈরেং থিবা খোয়দাদুনা লাকই। লাইরিকসু ফনা হৌরকখি অদুনা দিবেট, এক্সটেম্পরি, শৈরেং থিবগী অথোই-অহেন তান্নবদা মকোক-মথং তাদুনা মনা কয়াসু ফংদুনা লাকখি। এসে ইনবদা ষ্টেট গভর্ণরগী মেদল ফংখি। এম এনা ইংগ্রাজি লোল অমদি সাহিত্যদা তৌরকখি অমদি য়ুনিভর্সিটিগী গোল্ড মেদলিষ্টনি। য়ুনিভর্সিটিদা কেজুএল লেকচরর ওইনা লৈরিঙৈদা য়ু জি সীগী ফেল্লোশিপ ফংদুনা 'আর্টিষ্টিক রিএলাইজেসন ওফ মেজর ফিলোজোফিকেল থিমজ ইন দ নোবেলজ ওফ হেমিংৱে' হায়বসিদা রিসর্ছ তৌরম্মী। পি এচ দি লোইশিন্দ্রিঙৈদা ষ্টেট সিভিল সর্ভিসতা চঙদুনা আই এ এস ওফিসর ওইনা থবক্তগী (২০১৮) দা পোথাখি। লৈঙাক্কী থবক তৌরিঙৈদা প্রাইম মিনিষ্টর্স এৱার্দ ফোর এক্সিলেন্স ইন পব্লিক এদমিনিষ্ট্রেসন (২০০৭-০৮), হোম মিনিষ্ট্রিগী মেরিটোরিয়স সর্ভিসকী সিলভর মেদল অনী (১৯৯১ অমসুং ২০১১) ফংখি অমদি ২০১২দা ৫শুবা জে আর দি টাটা মেমোরিএল এৱার্দ নোবেল লোরিয়েট অমর্ত্য সেন-না অইবদা খূৎশিন্নখি।

শৈরেংগী ৱাহন্থোক, পূন্সিগী ফোংঙমদ্রিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম, মহৌশা খূৎশেমগী নুংশিবা মতৌশিং, পূন্সিগী ফিলোসোফি, খুন্নাইগী শক্তম, মীওইবগী সিভিলাইজেসন অমসুং মচেৎ মকায় ওইরক্লিবা চাওখৎপগী খুদোল অসিনচিংবা হীরম কয়াদা থিম ওইদুনা ইরকপা শৈরেং পূন্না ৪৫গী খোমজিনবা লাইরিকনি 'নায়তোম তানা মীরক্তা'। পাউজেল কয়া চেল্লি, ৱাখল মুন্না খন্থহল্লি, থিনীংহল্লি, খঙনীংহল্লি, নুংঙাইহল্লি অমসুং শৈরেং হায়বসিনা করিবুনো হায়নীংলিবসি হায়বসিদা হন্না-হন্না পানীংহল্লি অশৈবা রাধাকুমারনা। 'অশৈবগী শৈহৌশৈ' হায়বা ইনভোকেসন অমনা লাইরিক অসিগী য়াকাইরোল শক্লি। শৈরেং অসিগী পন্দুপ অমদা অসুম্না ইরি, "ইমা নঙগী শিয়োম্নুংদা মীতল্লকপা/শিদহীদাক পাম্বীনি, ঐগী নুংশিবনি।/সহরনি বোম্না মাঙ-তাকহল্লুরবা/অনৌবা ময়োলনি অমোৎপা মপৈদগী চোংলকপা;/ৱাহৈ খরসিনা য়াৱানি থম্মোয়গী/পায়মা শিল্লেরোম্বগী;/সি নত্তবা অমতা লৈজদে,/অতৈ অমতা পামজদে।/য়াইফনবা নৎত্রবদি মীওইবগী ইনিংদে ৱাহৈ অমতং ওইরবসু/ৱাহৈ পরেংদি থমখ্রদুনা।" (লা: ৫) মালেম তাইবঙপাল অসিবু শেম্নিং-শানীংবা ফজহন্নীংবা য়াইফহন্নীংবা পূক্লিং ইহুল অমা য়াওরি। মসিনি কবিগী শেংলবা থম্মোয়না নীংজরিবসু। ফত্তববু অফবা মায়কৈদা লমজিংনীংলি অদুসু নুংশিবা ৱাহৈনা লাইশোলগুম্না নুমিৎ খুদিং তাহন্দুনা। শৈহৌ শৈরেং অসিদা পূম্নমক পুশিন্দুনা তেংথারি, পাউমেল্লি, হিরি কোল্লী কবিনা। শৈহৌশৈ অসিমক লমায় ১১ শাংই, কুপ্পা মুন্না পাবা অমদি চঙলি।

'খোইনিং ঈশৈ' শৈরেং অসিদা কবিনা শৈরেং লাইরেন্বীনা পীরকপা ইথিল, পূক্লিং ইহুম, খোইথুল্লবা নুংশিরবা শোন্থাংননা হায়রকপা পূম্নমক পূন্সিগী থৌগায় ময়াম মরক্তা মতম চানা, মতাং চানা ইবা ঙম্লদবা অদুগীদমক নীংঙমদনা শোল্লি। তৌইগুম্বসুং কবিনা শীজিন্নরিবা পূন্সিগী ইমেজরি অসিমক য়াম্না চংখোল্লি অমসুং ফজৈ হায়দবা ঙমদে। "অমম্বা অহিংদা পূন্সিগী/মশেন মরাং উবতনি/মচিন মাঙখ্রবা লংদুম্নি/নীংশিংবা ঙমদ্রবা অহিংগী মঙনি।/মীৎকুপ অমতনি অয়ূক্তি ঐগী/নুংশা হাইগৎলকপদা লেপখ্রে/কুরাও মপাল মরক্তা খোইনিং ঈশৈ।" (লা: ১৪) পূন্সি অসিমক নুমিৎনা চীংদোল লোম্বদা য়াওখিবা ঙাক্তনি। অয়ূক অমদা নুংথিল অমগী মতমনি। য়াম্না তেল্লি হায়বদু ফিলোজেফিকেল ওইনা ফোঙদোক্লি। পোইতিক ইন্সপিরেসন লাক্লিঙৈদা ইহৌদদুনা তকশি শোল্লি। মসিনা নাকোইননা ফোঙদোক্লিবসি পূন্সিদা পাঙথোক্লিংবা থবক অদু হোরেল হয়েং তৌদুনা লৈরিঙৈদা নুংশিবা কোলোইসু শকপা ঙমদা, পূক্লিংনা পামজবা থবকসু পাঙবা ঙমদা অরেম্বদা শিংগারৈগুম্না লৈখোঙদা কেন্দুনা মাঙখিনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীরি। মসিনি শৈরেংগী ফজবসু।

'চীংনুং সনালোক্তগী' মিংথোনবা শৈরেং অসিমক প্রোজ-পোইত্রিনি, য়াম্না ফজৈ। অনৌবা মহাও অমা পীরি। পূন্সি, খুন্নাই অমসুং মহৌশাবু শৈথারি নুংশিনা। "নুমিৎনা কারিঙৈদা কাবা?/থিংফম থোকপ্রা ঐনা/উংলক্তবদা পূন্সিগী চাকানা/নুমিৎনা হাইথরকপদা য়াচঙবদা?/কারো নুমিৎ কারো/কৈরাক্তগী পারি পুরিগী/শেমগৎসি/শাগৎসি কাখৎসি/য়ৈখাই থুগাইবগী মহুত্তা।/নুংশিদা! মতম হৌখিবা খঙহৌদে। নুমিৎ তাদৌরে। উচেক-ৱায়া মকোলদা হন্নরক্লে।" (লা: ১৭)

লান অমসুং মীওইবগী করাম চাউবা ৱাখল মতা, তৌনরিবা থৌওং থৌদা, লৈঙাক্লোন অমসুং জিও পোলিটিকেলগী ওইবা ঈরাংশিংনা পীরকপা চৈথেংদা মীওই মশেল মরক্তা থোক্লিবা তাহৈ-উহৈদ্রবা থৌদোকশিং পূম্নমক য়েংদুনা তাদুনা তূমিন্না লৈবা য়ারক্ত্রবা মতাংদা ইরক্লি কবি রাধাকুমারসু 'রিফ্যুজিগী অৱাবা' শৈরেং অসিদা থম্মোয় শোক্লা ইরক্লি, "ঐনা পামদবঙাক/ঐগী ওইররে/উনিংদবঙাক উরে/তানীংদবঙাক তারে/সিনি মরৈবাক থাদোক্তুনা/ মথ্বায় হিংনবা চেনবা/মীচেনগী অৱাবা।/ করি করিনো হায়নবা য়াম্না তাই/নীংতম্বা শুপ্নম শাসন/গনতন্ত্র প্রজাগী লৈঙাক/নুপীগী অঙাংগী/মীগী অধিকার খোঙ্গাওনবা/জেনেভা কনভেন্সন/ৱা ঙাঙবা হৈতবা অমত্তা য়াওদে/ময়েক শেংনা শেংনা ঙাঙই/লৈতোন শৱ্দ পান্দে/ফজদবা ৱাখল্লোন য়াওদে।" (লা: ৪৪) তৈন-ওন্নবা তাইবঙনা তৌনরিবা ময়াম অসিবু শৈরেংগী পরেং খরসিদা লোইনা ফোঙদোক্লি। মসিমক য়াম্না শাফু কনবা শৈরেংগী খূৎইনি।

পূন্সি অসিমক অশিবগী লমন তোল্লিবা অহিংবশিংনা নুংশিবা তাইবঙপাল কৌনবা মিত্রং মায়ানা থল্লবা মালংপালনি হায়বসিদা অমুক কুপথনবা য়েংদুনা পূন্সিগী ৱাহন্থোক অমা কবিনা থিরক্লি মহাক্কী "শিবগী পাউ তাবদা" হায়না মিংথোনবা শৈরেং অসিদা। কবিনা ইরক্লি, "কুমজা অমদা পোক্লগা/কুমজা অমদা শিবা/মীচম অমনা ঙাইহাক নীংশিংবা/মীচমগী মরীনি মীচমগী ৱারীনি/নত্তে ইতিহাসকী মচৎ। ...ইতিহাসতা লাচল্লোইদবা থৌদোক ৱাথোক পরেং/নীংশিংমিন্নবা য়াবনি ৱামিন্নবা য়াবনি।/ ঙসিদি নীংশিংলগা নুংশিহৌগদবা মঙায়রে...' (লা: ৬১) পূন্সিবু ৱাহন্থোক লৈনা হিংলবদি হিংগদবনি হায়বা ফজরবা পাউজেল অমসু লোয়নদুনা পুরি শৈরেং অসিদা।

'খোঙ্গুল' হায়না মিংথোনবা শৈরেং অসিদা কবিনা থিরক্লি লমদম অমা অদুঙৈগী। ঙসি মিৎমাংদা উরিবসি মীওইবা হায়বা অদুগী খোঙ্গুল অদুদি তারক্তবগুম তৌরক্লি হায়বা থিমদা লাকপা শৈরেংনি। কবিনা হায়রক্লি, "করি লৈপাকনো সিবো/মীগী লৈপাক নৎতবরা?/ঈগী পিরাং শিন্থে/মরাল লৈত্রীবী থম্মোয়,/থৱায় ময়োলদা কপ্লম্বদগী/মখোল থোক্লা কপ্পী/খোন্থাং য়ৈদ্রবা মফমসিদা।/অনকপদা লেপ্তুনা লৈ/লাইশঙ অমা তূমিন্না/মঞ্জুনরবা ফিজোল শেৎতুনা/মনাক্তা তুমিৎ পাইদনা।... পাউজেল চেনা অয়ূক্কী/য়েকই লাই অৱাবগী..." ওন্থোক্লা ফজনা ফোঙদোকখ্রবা কন্টেম্পররি সোসাইটি অসিগী মীওইবগী মশক অমনি। ঙসি ঙসিমক উরিবা তারিবা, থোকহৈ-উহৈদ্রবা-তাহৈদ্রবা ময়াম অসিনা অসুম্না-অসুম্না মীওইবগী লীচৎ ওইরক্লবদি মীওইবা হায়বা অথোইবা য়াইবী ওইরিবা মহাক্কী খোঙ্গুল অদু কয়াম কুইনা মালেমদা খোঙ্গুল তাদুনা লৈখিগনি হায়বগী নুংনাংবা নুংঙাইজদবা পূক্লিং মতা অদু নিংথিজনা ফোঙদোক্লি। নীংথিজরবা শৈরেং কয়া অমসু য়াওরি অদুগা অরোইবদা কবিগী 'অশৈবগী শৈরোইশৈ' অমসু য়াওরি। মিকোন থাগোনবনি কবিনা ফোঙদোক্লিবসি। কবিগী ওইবা ফজরবা লোন অমদি মফোঙদোক কয়া অরিবা লোনগৈদগী য়ারিবমখৈ শীজিন্ননবা হোৎনদুনা শৈরেংশিং অসিনা পীনীংলিবা পাউজেল অমসুং পূক্লিং পাউমেলনীংলিবা পূম্নমক মায় পাক্লা ফোঙদোকপা ঙল্লি। মসিমক মায় পাক্লবা খূৎই অমনি লৌদবা ঙমদে।

মণিপুরী খোরিরোলদা অইবনা হান্না খুদোল তমখ্রবা লাইরিকশিংদি - এসিয়াগী মঙ (ৱারীমচা, ২০১০); মিৎয়েংগী ৱাংমদা (লমকোয় ৱারী, ২০১১); মীৎকুপ অমত্তং (ৱারীমচা, ২০১৯) অমদি আ থম্মোয় লকানুংদগী (ৱারীমচা, ২০২১)। মিৎয়েং থৌবা অইবা অমা ওইনা মরিপুরী খোরিরোলদা লেপ্তুনা লাইরিক কয়া মথং-মথং খুদোল তম্লকখিগনি হায়না থাজবা থমজরি। ●





লাইরিক্কী মমিং :- নায়তোম তানা মীরক্তা (শৈরেং, ২০২২)
অইবা :- কাংজম রাধাকুমার
অফোঙবা :- কে পি পব্লিকেশন্স
লমায় মখুম :- কে ধানাশ্রি
লাইরিক্কী মমল :- লুপা ৫০০/-
লমায় মশীং :- ৩২৪ (মৈতৈ ময়েক য়াওনা)





## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০১

১) **"অশাংবা ৱারী অসি ১৯৮৯দা ইখিবনি। খোৎনীংবগী মিহুল অমদগী পঙখোৎ খোৎখিবা হায়বদুনি পঙফ ফগদবা মান্দে।"** ৱাহৈ পরেং অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী মমিং লৈরবা লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা ইবনি। অইবা অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

২) **"অতোপ্পা লাষ্ট বস অমা"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমদি অইবগী মমিং হায়য়ু।

৩) **"লান্মী অহুম"** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল রাইটর অমসুং লাইরিক্কী মমিং করিনো?

৪) **"তৎখ্রবা লংলা"** হায়রিবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

৫) **'হেলোয়গী ৱাশক"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫,ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।